# চীং-তমগী মান্নবা খুন্নাই পুখৎলম্বা জন নেতা ইরাবতপু নীংশিংগদবনি : ডা. এম নর




ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): হিংবগী মহাও হাপ্পুনা চীং-তমগী মান্নবা খুন্নাই পুখৎলম্বগা লোয়ননা খুঙ্গংশিংদা মহৈশঙশিং লিংগদবনি অমসুং নুপীশিংবু মহৈ তমহনগদবনি হায়না অকনবা থবকশিং পায়খৎলম্বা লময়ানবা জন নেতা ইরাবতপু নীংশিংগদবনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি (আই সী সী), মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিল (এম এস এস এল সী) না পুন্না শীনমিন্নদুনা পাঙথোকপা 'ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক' হায়বা সেমিনার অমা হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা আই সী সীগী চ্যেরমেন ডা. মোইরাংথেম নরনা ফোঙদোকখি।

সেমিনার অসি হৌদোকপগী থৌরমদা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা ডা. এম নরনা মখা তানা হায়, ঙসিগী লৈরিবা মতম অসিগী তঙাইফদনা খুঙ্গংশিংদা লায়েংশঙ লিংগদবনি হায়বসিদা থৌনা পীদুনা জন নেতা ইরাবতনা লাউরমখি। অদুগুম্বা কয়াদু ঙসি নীংশিংলুরগা রাজনিতিগী মায়ওন অসি কদোমদা চৎলিবনো হায়বা খঙদ্রে। চীনগা খূৎকা মান্নদবা, মশাগী ফিরেপ লৈরক্তবা, মীয়ামদা মীনমদুনা অমসুং তাৎ তৌদুনা মালহন্নবা হোৎনবা চৎন-লোনচৎশিং অসিদগী মী-মীগী হিংবগী হক লৈহনবা, ফংগদবা চাকথুং ফংহন্দুনা হিংবগী পুন্সিদা মহাও হাপকদবা অসি মান্নবা খুন্নাইগী ৱাহন্থোকনি হায়খি।

ঙসি হৌদোক্লিবা সেমিনার অসি য়াম্না মরু ওইবা নুমিৎ ওইবনা পাঙথোক্লিবনি হায়রদুনা কুমজা ১৯৩৮গী দিসেম্বর ২৯-৩০দা চীংঙাদা ফমখিবা মীয়াম্না চীংঙা মীফম হায়রগা খঙনবা নিখিল হিন্দু মণিপুর মহা সভাগী মরিশুবা মীফমগী নুমিৎ অদুনি হায়খি।

মণিপুরগী পুৱারীদা কাউবা য়াদনা লৈরক্লিবা মরু ওইবা নুমিৎনি। জন নেতা ইরাবতনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা নুমিৎ নীনি চথুখিবা মীফম অদুদা নিখিল হিন্দু হায়বা ৱাহৈ অনী অসি লৌথোকখি। খোঙথাং অসি লমদম অসিগী মীয়ামদা তুংদা কায়রক্কদবা কয়াগী য়েংলগা লৌথোকপনি হায়খি।

ফুরুপকী খেন্নবা লাক্কনি খনবদগী হায়রিবা ৱাহৈ অনী অসি লৌথোকখিবনি হায়রদুনা মণিপুরদা আইন সভা লিংগদবনি, মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎনা লৈবাক ঙাক্কদবনি হায়বা দেমোক্রেসিগী থৌনা ফনা লৌরকপা ফিরেপ অমসুনি হায়খি।

মতম অদুদা মণিপুরদা নিংথৌ পানবা অমসুং বৃটিশনা ৱায়েল চথুবা, পোলিটিকেল পার্টিশিং লিংবা য়াদবা মতমনি। মসিনা মণিপুরগী পুৱারীগী লমায় অমা ওইদুনা লাক্লি। হায়রিবা চীংঙা মীফম অসিদা লৌখিবা ৱারেপ্পুনা মীয়ামগী পূক্নিং লৌশিং ওইহনখিবনি। মরম অসিনা মীটিং পাঙথোকখিবা থৌদোক অদুবু নীংশিংবা ওইনা মসিগী মতাংদা মখা তানা শন্দোক্তুনা খঙহন্নবগীদমক সেমিনার অসি হৌদোকপনি হায়খি।

লোয়ননা মীবু মীনা ওত্তবা, মান্নবা খুন্নাই অসিগী চৎন-কাঙলোন শন্দোক্লবা সেমিনার অসি পাঙথোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) গী মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি লাইশ্রম সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, হিজম ইরাবতনা মশানা পুরম্বা ফম ফাওবা থাদোক্তুনা ফোংনা নিংথৌ অমসুং বৃটিশকী লৈঙাকলোনগী মায়োক্তা থেংনবা হৌরকখি। নমথদুনা থন্নবা মণিপুরগী মীয়ামদা অনৌবা ৱাখল্লোনগী মমি তাহনখি। মতম অদুগী বর্ম্মা অমসুং কছারনচিংবদা চৎতুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা হৌরকখিবনি।

পাক শন্না চথুরকপা মীয়ামগী ঈহৌ কয়াগী মরক্তা ইরাবতকী লমজিং মখাদা মণিপুরদা ইহান হান্না কুমজা ১৯৩৯গী শিন্মীশিংগী নুমিৎ (মে দে) গী থৌরম পাঙথোক্লিবনি হায়খি।

প্রিসিদিয়ম মেম্বর ওইনা য়াওখিবা পদ্মশ্রী ৱারেপ্পম নবনা ফোঙদোকখিবদা, হিজম ইরাবতনা লমজিংলম্বা, হৌদোক্লম্বশিং অদুনা ঙসি ফাওবদা মীয়ামগী অনৌবা ৱাখল্লোন কয়াদা চঙশিনবা ঙম্লিবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিগী সেমিনারগী শরুক্তা প্রোফেসর পোলেম নবচন্দ্রনা ৱাতেমলোই ওইখি। অদুগা লাঙ্গোল ইবোয়াইমা, দিলিপ ময়েংবম, আর কে বিদুর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর এম সী অরুন অমদি অরাম্বম নোনিনচিংবনা মখোয় মখোয়না ইরকপা চেরোলশিং পাথোকখি হায়রি।

পূন্না দেলিগেট ২৩০ রোম তিনখিবা সেমিনার অদুদা পাথোকখিবা চেশিং অদুবু ফজহন্নিংবা অমদি হেন্না পাকথোক্লা ইনিংবগা লোয়ননা মীতৈ ময়েক্তা নমথোক্তুনা অনৌবা মীরোলনা পাবগী খুদোংচাবা পীনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকখি। মসিগী মথক্তা সেমিনার পেপরশিং অদু ইংলিস লোলদসু হন্দোক্লগা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা ফোঙদুনা ইন্টরনেটকী খূথাংদা মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংদসু অপলোদ তৌহন্নীংবগী অপাম্বসু ফোঙদোক্লখি হায়রি।

# ডা. থানিল লৈমগী 'রতন থিয়ামগী থিএটর' ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): খেঞ্জোংলাং থিএটর অমসুং ঈপাক ফিল্মস প্রদক্সন, মণিপুরনা পূন্না শীন্দুনা লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা অমসু ওইরিবা থিএটরগী মশক নাইরবা রতন থিয়ামগী মমিং লৌদুনা মীংথোনবা ডা. এস থানিল লৈমনা ইবা 'রতন থিয়ামগী থিএটর' কৌবা লাইরিক অমা কৈরাও খুনৌদা লৈবা খেঞ্জোংলাং থিএটরগী মথৌপুংদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

লাইরিক অসি মফম অসিদা পাঙথোকখিবা থা অহুমগী ফিল্ম এক্টিং ট্রেনিং কোর্স হৌদোকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রিলিজ তৌখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা হিয়াংলম এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মনিদকো অমসুং মনিত্রোনগী চ্যেরমেন ডা. য়ুম্ন াম রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট ওইরদুনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী ওইবা কলচরেল পোলিসিদি শেমদুনা লৈরে অদুবু চৎনবদি হৌদ্রি। কলচরেল পোলিসি চৎনবা হৌরক্লবা মতমদা আর্টিষ্টশিংদা ফংগদবা চাকথুং অমদি মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

রতন থিয়ামগী থিএটর কৌবা লাইরিক অসিবু ইরিবী ডা. এস থানিল লৈমনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা থিএটরগী লাইরিক অমত্তা নৈননবা লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লখি। অদুনা নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা (এন এস দি), ন্যু দেল্লিদা তম্বা হৌরকপদগী থিএটরগী মতাংদা লাইরিক অমদি ফোঙগে হায়বগী পান্দম লৈরকখি। অদুবু শক্লাইরবা থিএটরগী মীশক রতন থিয়ামগী মখাদা মহাক মশামকসু দ্রামা য়াওরকপা আর্টিষ্ট অমা ওইনা ওজা অসিগী থিএটরগী লাইরিক হায়বা অসি ইদুনা ফোঙদোকচবনি হায়খি।

মহাক্না নেসনল স্কুল ওফ দ্রামাদা তম্লিঙৈদা মহাক্না তম্মিন্নখিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তুগী মণিপুর থিএটরগী লাইরিক অমা পীয়ু হায়বদা পীবা ঙমখিদে। মতমদুদা মহাক থৱায় য়াম্না নুংঙাইখিদে হায়খি।

অদুবু, থিএটরগী লাইরিক অমা ইবা হায়বসি অরাইবদি নত্তে। অদুনা হায়রিবা স্কুল অদুদা তম্বা লোইরগা থোরক্লবা মতুং রিছার্স তৌদুনা পি ঐচ দি কুমজা ২০১০দা ফংখি। লোয়ননা ঙসিগী লাইরিক অসি ইবা লোইরবসু শেল লৈতবদগী ফোঙদোকপা ঙমদদুনা লৈরকখিবনি হায়খি।

অদুম ওইনমক ঙসি থিএটরগী ওজা অসিগী মতাংদা নৈনবা লাইরিক অসি ফোঙদোকপা ঙমজবসিদা নুংঙাইবা পোকই হায়রি।

ডা. এস থানিল লৈমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী লাইরিক অসি ফোঙনবা হোৎনরকপদা কোরসকী শক্লাইরবা ওজা রতন থিয়াম অমদি কোরসকী ওজাশিং, প্রোফেসর এন তোম্বী য়াওনা মতেং পাংবীরকখিবশিংগী মফমদসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী লাইরিক অসি ফোঙদোক্লবা মতুংদা মণিপুরগী থিএটর হায়বা লাইরিক অমা মসিগী মতাংদা পুৱারীগী তাঙ্ককশিং য়াওহন্দুনা পুথোক্লবসু থৌরাং তৌরি হায়খি।

ঙসিগী থা অহুমগী ফিল্ম এক্টিং ট্রেনিং কোর্স হৌদোকপগা লোয়ননা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা হান্নগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী চ্যেরমেন ওইরম্বা প্রোফেসর এন তোম্বী, ফিল্ম ফোরম মণিপুর (এফ এফ এম) গী চ্যেরমেন এস মঙ্গোলজাও অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচরগী চ্যেরমেন এস ঐচ নবচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোক্লিবা থা অহুমগী ওইবা ফিল্ম এক্টিংগী ট্রেনিং কোর্স অসি মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোইশঙগী মখাদা পীরকখিবা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্সতগী হৌদোকখিবনি হায়রি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা প্রোফেসর এন তোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী থিএটরগী খোঙচৎতা রতন থিয়ামগী খোঙচৎ অসি খ্বাইদগী তোপ তোপ্পা খোঙচৎ অমনি। মহাক খক্তগী ওইবা ইন্টরনেসনল থিএটর ফেষ্টিভেল কয়া পাঙথোক্তুনা মালেমগী মীয়ামদা রতন থিয়ামগী থিএটরগী খোঙচৎ অসি নৈনহনবগী তঙাইফদবা তাঞ্জা অদু ওইরে হায়খি।

ফিল্ম ফোরমগী চ্যেরমেন এস মঙ্গোলজাওনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা অতেনবা নুমিৎতা অকক্লবা ফিল্ম এক্টিং ট্রেনিং কোর্স পাঙথোকখিবদি লৈরে। অদুবু খেঞ্জোংলাং থিএটর অমদি ঈপাক ফিল্মসনা শীল্লিবা থা ৩গী ওইবা ট্রেনিং কোর্স অসিগুম্না য়াম্না শাংবা ট্রেনিং কোর্সতি মমাঙদা পাঙথোকখিবা লৈত্রি। অসিগুম্বা ট্রেনিং কোর্স অসি অফবা মখলগী ট্রেনিং কোর্স ওইবনা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মায়কৈদগীসু মতেং পাংজবনি। লমদমসিগী অনৌবা আর্টিষ্টশিংনা থৱায় য়াওনা ট্রেনিং কোর্স অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

ঈপাক ফিল্মস প্রদক্সনগী এদভাইজর ডা. এস মনাওতোননা মহাক্কী প্রদক্সন হাওস অসিনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং হায়বা থিমদা খাপ্পি ইন্টরনেসনল শোর্ট ফিক্সন ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২১গীদমক ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন হৌরে। মসিদা মৈতৈলোলদা মমালোল ওইরিবশিংনা ফিল্মশিং থাজিনবীরক্তুনা শরুক য়াবিয়ু হায়খি।

# ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা ন্যু য়রগী থৌরমশিং অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিং লেপ্পুনা থেংনরকপা অমসুং হায়রিবা লায়না অসি মখা তানা শন্দোরকহন্দনবগীদমক তঙাইফদনা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না ন্যু য়রগী থৌরমশিং পাঙথোকপদা মীয়াম তিন্দনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা পব্লিক প্লেস পূম্নমক্তা ন্যু য়রগা মরী লৈননা মীয়াম তিনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লে হায়রি।

ৱাফম অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর কেঙ্গু জুরিংলানা ঙসি থোকখিবা পব্লিক নোটিশ অমগী মতুংইন্না হায়বনি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী পব্লিক নোটিশ অসিনা মখা তানা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা খঙহনখিবদা হয়েং দিসেম্বর ৩১ য়াওনা মথংগী অনৌবা চহী ২০২১গী জন্যুৱারী ১দা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পব্লিক প্লেস পূম্নমক্তা ন্যু য়রগা মরী লৈনবা পিকনিক অমদি ম্যুজিকেল নাইটনচিংবা থৌরম পূম্নমক পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লে হায়রি।

পব্লিক নোটিশ অসিগী কোপিশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিসকী এস পি, ককচীং, শুগ্নু, ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনচিংবগী চ্যেরপর্সনশিং, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সব দিভিজনেল ওফিসর (এস দি ও) শিং, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অহুমগী এগজিক্যুটিভ ওফিসলশিংনা লোকল ক্লব/সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমকসু কোপিশিং পীখি। মসিগী মথক্তা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধানশিংদসু পব্লিক নোটিশ অসিগী কোপিশিং পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসন্না থৌবালগী সবোর্দিনেট কোর্ট অনীগী মথক্তা হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট কমপ্লেক্স, থৌবালদা লৈরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনগী মায়কৈদগী এসোসিএসন অসিগী তোঙান তোঙানবা মেম্বর ২৪না পূন্না খূৎয়েক পীদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সবোর্দিনেট কোর্টশিং ওইরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) কম সিভিল জজ সিনিয়র দিভিজন (সী জে এস টি) অমসুং জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী) কম সিভিল জজ জুনিয়র দিভিজন (সী জে জে দি) অনীগী কোর্টতা লিটিগেনশিংগী মহুৎ শিল্লিবা কাউন্সেলশিংদা চথুরিবা থৌওং অমসুং সবোর্দিনেট কোর্টশিং অসিগী ৱার্কিং ষ্টাইলগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসতা অইবা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

ৱাকৎ চেরোল অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেলগী খূথাংদা কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিসতা পীশিনখিবনি।

ৱাকৎ চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা মতম মতমগী মতুংইন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরী লৈননা পীরকপা দিরেক্সনশিং ইন্দুনা মসিগী মখাদা পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেসন জজ অমসুং বারগী মরক্তা পেন্দমিক অসিগী মনুংদা তাথোক তাশিন তৌনদুনা চথুরক্লিবা থবক থৌরমশিংগী ওন্ন-তৈনবদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট অমসুং জে এম এফ সীগী মায়কৈদগী হায়রিবা সবোর্দিনেট কোর্টশিং অসিদা কাউন্সেলশিং চঙবদা কোর্টশিং অসিগী ম্যেন দোরশিং থিংজিন্দুনা চঙহন্দ্রে। থৌওং অসিগী মতাংদা চঙহন্দ্রিবা কাউন্সেল/এদভোকেটশিং অসি কোর্ট অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা মীওইশিংনি। মখোয় ক্রিমিনেল অমা নত্তে হায়বগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা মখোয়না চঙবা মতমদসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী এস ও পিশিং ঙাকখি হায়রি।

মসিগুম্বা কার্ডন্সেল/এদভোকেটশিংবু হায়রিবা কোর্টশিং অসিগী কোর্ট রুম মনুংদা চঙহন্দবা অমসুং দিসিপ্লিন অমত্তা য়াওদনা তাম্থোরকপগী থৌওং অসি মখোয়বু হরাসমেন্ট পীবনি হায়রি।

মরমশিং অসিদগী কোর্টশিং অসিদা বেল অমসুং জিমাগী য়াওনা ফাইল তৌরকপা অর্জেন্ট মেট্টরশিং ওইরিবা এপ্লিকেসনশিং মতম চানা লৌখৎত্রে। কাউন্সেলশিংনা ঈ-ফাইলিং অমসুং ভিদিও কনফরেন্সিংগী প্রোসিজরশিং ঙাক্তুনা কোর্টশিং অসিদা ফুল কোওপরেসন পীরবসু কোর্টশিং অসিগী ষ্টাফশিংগগী মরক্তা মিস অন্দরষ্টেন্দিং য়াম্না থোক্লে হায়রি।

ঈ কোর্টকী খূথাংদা অর্জেন্ট মেট্টরশিং ফাইল তৌবদা চাংচৎতা নুমিৎ হুমনিদগী মঙানি ফাওবা চঙলে। করিগুম্বা মতমদা অখন্ননা হায়দ্রবদি থা অমা ফাওবগী মতম চঙবসু য়াওরে হায়রি।

এপেক্স কোর্টনা পীরকখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্নদি অফাবা গাড়ীশিংবু মখোয়গীদমক এপ্লিকেসন ফাইল তৌরকপা মতুংদগী য়ারিবমখৈ থুনা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা থাদোক্লবা দিরেক্সন পীরকখ্রবসু হায়রিবা কোর্টশিং অসিনা দিরেক্সন অসিবু ইকায়খুম্নদ্রে হায়রি।

বেল অমসুং জিমাগী সিওরিটি বোন্দশিং অমসুং জিমা বোন্দশিং সবমিসন তৌবদা নুমিৎ নীনি/হুমনি চঙহল্লে। মসিগী মথক্তা হায়রিবা কোর্টশিং অসিগী ষ্টাফশিংদা অহেনবা শেল পীদ্রবদি কেসশিং অসি লৌখৎত্রে হায়রি। মসিগী মতাংদা চিনহায় ওইনা কমপ্লেন্ট কয়ারক তৌরবসু মসিগী কান্নবা অমত্তা ফংদ্রে হায়রি।

কোর্টশিং অসিদা এপিয়র তৌবা এদভোকেটশিংদসু পীফম থোকপা প্রোপর লিঙ্ক পীদবগা লোয়ননা কেসশিংগী ষ্টেটসসু ফংহন্দ্রে হায়রি।

কেসশিংবু অপদেট তৌবদা চয়োল অমদগী অনী ফাওবা চঙবগা লোয়ননা কোর্টশিং অসিগী মরী লৈনবা ষ্টাফশিংনা কেস রেকোর্দশিং পুথোক্তবদগী এদজোর্ন তৌবা কয়াসু য়াওরে হায়রি।

মরমশিং অসিদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সবোর্দিনেট কোর্টশিং ওইরিবা সী জে এম অমসুং জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাসকী ৱার্কিং মোদেলিটিশিং অসিগী মতাংদা ইনক্বারি তৌবীয়ু হায়রি।

করিগুম্বা ৱাকৎ চেরোল অসিগী মতুং ইন্না থবকশিং পায়খৎপীরক্ত্রবদি বার এসোসিএসন অসিনা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙজংশিং চঙশিন্নবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়নসু চেরোল অদুদা ফোঙদোকখি হায়রি।

## কুমজা ২০২০ লোইশিনবদা কোভিদ-১৯ পুবিখ্রো : এম পি দি এফ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): চৎলিবা চহী ২০২০না লোইশিল্লকপগা ইরোয়ননা কুমজা অসিনা চৎখিবদা তমথীরবা কোভিদ-১৯ পুরগা চৎখ্রো, মালেমদা কোভিদ-১৯ অসি অনৌবা চহী ২০২১ লাকপদা অমুক হন্না থল্লল্গনু হায়না মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ) কী প্রসিদেন্ট এন নোদিয়াচান্দনা থোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লোইশিল্লক্লবা কুমজা ২০২০দা থোকখিবা নুংঙাইতবা থৌদোক ৱাথোক, রেপ, কিদনেপিং, খৎন-চৈনবা খুদিংমকসু লোইশিল্লক্লবা চহী অসিনা চৎখিবদা পুরগা চৎখ্রো হায়রি। লোয়ননা মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়ামদা নমথাক তৌবা ওইদ-পাদবা ঙাঙবা, শেঞ্জা থুমজা তৌবা খুদিংমকপুসু চহী অসিনা লোইখিবদা পুদুনা চৎখ্রো হায়রি। ৱাফমশিং অসিগা লোয়ননা মণিপুর পিপলস দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী মায়কৈদগী লোইশিল্লক্লবা কুমজা অসিদা কায়ন-ৱারোলশিংসু পীজরি হায়রি।

## কোভিদ-১৯ অমুক হল্লক্লগনু : আর পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): লোইশিল্লক্লবা কুমজা ২০২০গী অরোইবা পুংফম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ইম্ফালগী শগোলবন্দ তেরা য়েংখোম লৈরক মচিনগী থিংবাইজম লৈকায়দা ষ্টেট ওফিস ওইনা লৈরিবা রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অম্বেদকর), মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌনা থোরকপা চেরোল অমদা কুমজা অসিদা কায়ন-ৱাফমশিং ফোঙদোরকপগা লোয়ননা চহী অসিনা চৎখিবদা তমথীরবা কোভিদ-১৯গী লায়না অসিগা পূন্না চৎখ্রো হায়রি।

লোইশিল্লক্লবা কুমজা অসিদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা, চোঙথোক চোঙশিনগী লান অমসুং থোকখিবা চৈনাখোলশিংসু পুখ্রো। লোয়ননা চমজরবা মীওইবগী থৱায় কয়াবু লায়না অসিনা লোইহনখিবা চহী অসিগা লোয়ননা কোভিদ-১৯সু চৎখিদুনা অমুক হন্না মালেম অসিদা হল্লক্লগনু হায়রি।

## খা পোৎশংবম ৱার্দ নম্বর ৮বু কন্টেনমেন্ট জোননি লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর নিতা অরাম্বমনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা খা-পোৎশংবম ৱার্দ নম্বর ৮বু কন্টেনমেন্ট জোননি হায়না লাউথোকখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওর্দর অসিনা হায়বদা, হায়রিবা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী জুরিসদিক্সন মনুংদা লৈরিবা মফম অসিগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপদগী হৌজিক লৈরিবা পেন্দমিক অসিগীদমক য়েংলগা লায়না অসিবু এরিয়া অসিদা শন্দোরকহন্দনবগী লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না মফম অসিবু কন্টেনমেন্ট জোননি হায়দুনা লাউথোকপনি হায়রি।

মহাক্কী ওর্দর অসি মণিপুর পেন্দমিক দিজিজেজ, কোভিদ-১৯ রেগ্যুলেসন্স, ২০২০গী পেরা নম্বর ১২না পীবা পাৱরগী মতুংইন্না মহাক্কী মায়কৈদগী ওর্দর অসি থোকপনি হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না কন্টেনমেন্ট জোননি হায়দুনা লাউথোক্লবা মফম অসিগী জিওগ্রাফিকেল এরিয়া সিল্ড তৌগনি। মফম অসিদগী অতোপ্পা মীওইশিং মপান্দা থোরকপা নৎত্রগা চঙবদা অথিংবা লৈগনি, মফম অসিদা লৈবা স্কুলশিং অমদি ওফিসশিং থিংজিনবগা লোয়ননা মখল অমত্তগী মীয়াম তিনবা থৌরাংশিং পাঙথোকপা য়ারোই হায়রি।

কন্টেনমেন্ট জোন অসিদা গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংগনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ কেসশিংগী এক্টিভ সর্ভিলেন্সকী থবক পায়খৎপা হৌগনি। কন্টেনমেন্ট জোন অসি নোংপোক্তনা ইন্টর ভিলেজ রোদনা ঙমখৈ ওইরগা নোংচুপ্পুনা তাওরেম শ্যামচান্দগী ইঙ্খোলনা ঙমখৈ ওইগনি। অদুগা অৱাংদনা তুরেলনা ঙমখৈ ওইরগা মখাদনা তাওরেম জয়গী ইঙ্খোলনা কন্টেনমেন্ট জোন অসিগী ঙমখৈ ওইগনি হায়রি।

ওর্দর অসিনা মখা তানা হায়বদা, কনাগুম্বা লন্নাই মীওই/ইন্সটিট্যুসন/ওর্গনাইজেসনশিংনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবগী মতুং ইনবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি থুগাইরকপা থেংনরবদি মখোয়বু ইন্দিয়ন পেনাল কোদ, ১৮৬০গী সেক্সন-১৮৮ ভাইওলেট তৌবগীদমক মখোয়গী ওফেন্স অসিগী মায়োক্তা চৈরাক পীগনি হায়রি।

# মেজর বোব খতিংবু নীংশিংলদুনা স্কোলরসিপ পীখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী হিরো অমনি হায়রিবা মেজর বোম খতিংবু নীংশিংলদুনা রেদ সিল্ড দিভিজনগী স্পিয়র ক্রোপস ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা স্কোলরসিপ প্রোজেক্ট অমা হাংদোক্তুনা স্কোলরসিপ পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চঙাঙ্গৈদা লৈবা ব্রিলিএন্টস স্কুলদা পাঙথোকখিবনি। মসিদা লৈবাক অসিগী লাম্মীগী মায়কৈদগী মেরিটোরিয়স মহৈরোয়শিং অমসুং স্পোর্টস পর্সনশিংবু শকখঙবগা লোয়ননা মখোয়বু মতেং পাংবগী শরুক অমা ওইনা ষ্টেস্নরি আইটেমশিং, স্কোলরসিপ অমদি শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং রেদ সিল্ড দিভিজনন য়েন্থোকখি।

থৌরম অসিদা মণিপুরগী মেরিটোরিয়স মহৈরোয় ২৪ অমসুং স্পোর্টস পর্সন ১৪ য়াওখি। মখোয়গী পর্ফোমেন্সশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা রেদ সিল্ড দিভিজনগী জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং (জে ও সী) মেজর জেনরেল ভি টি মেথিয়ুনা অঙাংশিং অদুবু শকখঙবগা লোয়ননা তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি মখোয়দা খূৎশিন্নখিবনি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙাংশিং অসিনা রিজন অসিদা পিছ অমসুং প্রোসপরিটি ওইরকহন্নবগীদমক হোৎনফম থোকপশিং হোৎননবা পাউতাক পীখি।

থৌরম অসিদা থবক্তগী পোথারবা লেফটিনেন্ট জেনরেল কে ঐচ সিংহ অমসুং লেফটিনেন্ট জেনরেল এল এন সিংহসু মরু ওইবা মীশকশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি য়েন্থোকখিবা মেজর বোব খতিং স্কোলরসিপ প্রোজেক্টকী মনুং চনবা ষ্টেস্নরি, স্কোলরসিপ অমসুং শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং অদু লুপা লাখ ১৫ রোমগীনি হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা মনুং হঞ্জিনবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী নহারোলশিংগী জোব ওরিয়েন্টেদ নোলেজশিংগী মতাংদা এম্পৱার তৌনবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসকী ক্রপশিংনা শীন্দুনা মোটিভেসনেল লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অসি ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী থানলোন ভিলেজগী নহারোলশিংদা করিয়র ইন আর্মি/অসাম রাইফলস হায়বা থিমগী মখাদা পাঙথোকপনি হায়রি।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিনা নহাশিং অসিবু দিফেন্স ফোর্সশিংগী থবকশিংদা পূক্নিং চিংশিনবগা লোয়ননা মখোয়না মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরকপদা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা লেকচর পীখি।

নহারোল কয়ানা শরুক য়াখিবা থৌরম অসিগী মথক্তা ইনিদয়ন আর্মি/অসাম রাইফলসকী জোব ওপোর্চুনিটিশিংগী মতাংদা ইনফোর্মেসনশিং পীবা ভেহিকল বেজ করিয়র কাউন্সিল ইনফোর্মেসন সেন্টর অমসু বেহিয়াংদা হাংদোকখি। মসিনা মফম অদুগী নহারোলশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী করিয়রদা খুদোংচাবা কয়া পীখি।

# সী এ য়ুদা ফিশ ফার্মরশিংগী এক্স-ট্রেনি মীট কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটিগী দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসনগী কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফিশ ফার্মরশিংগী এক্স-ট্রেনি মীট কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা ইরোইশেম্বদা লৈবা কোলেজ অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অসিদা সী এ য়ুগী এক্সটেন্সন এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর প্রোফেসর আর কে শাহানা চীফ গেষ্ট অমসুং য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর কে মামোচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফিশ ফার্মরশিংগী এক্স-ট্রেনি মীট কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টখক্কী ওইবা ঙা য়োকপগী মতাংদা মরু ওইবা পাউদমশিং য়াওরবা ফিশরিজ পোর্টেল অমা শেমগৎনবগীদমক্তগা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঈ-পাউ খোমগৎনবা পাঙথোকপনি হায়রি।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা কোলেজ অসিগী দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসনগী প্রোফেসর আর কে শাহানা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্লবা এক্স-ট্রেনি মীট অমা পাঙথোকপগী তঙাইফদবদু থৌরম অসিদা পনখিবগা লোয়ননা মসিগী মরমদি ঐখোয়না, ইন্সটিট্যুট অমনা পীখিবা টেক্নোলোজি অমদি ট্রেনিং নৎত্রগা দেমোন্সত্রেসন কয়া অসি লৌমীশিংদা কান্নবা পীরিব্রা নৎত্রগা পীদ্রবরা, কান্নদ্রগদি করি করম্বা মতাংদা শেমদোক্লগা হেন্না কান্নবা পীগদগে খঙহন্নবগীদমক হান্না ট্রেনিং নৎত্রগা দেমোন্সত্রেসনশিংদা শরুক য়াখিবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংদগী ফীদবেক লৌরগা খঙদোকপগী মরু ওইবা অদুগীদমক পাঙথোকপনি হায়খি।

হায়রিবা এক্স-ট্রেনি মীট অসি ফিশরিজ সেক্টরখক্কী নত্তনা অতোপ্পা সেক্টর খুদিংমক্তসু চহী অমগী মনুংদা শোয়দনা পাঙথোক্কদবনি হায়খি। অসিগুম্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী ফিশরিজ পোর্টেল অমা শেম্নবগীদমক্তগা মরু ওইবা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ৱাটর বোদিশিংগী দাটা বেজ অমদি অতোপ্পা ইনফোর্মেসনশিং খোমগৎনবা ঙসিগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা প্রোগ্রেসিব ওইরবা ঙামীশিংদা মতেং পাংনবা ৱাফমশিংসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিগী মখা তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ফিশরিজ ওফিসর টি রোমি, দাইরেক্টোরেট ওফ ফিশরিজগী ফিশরি ওফিসর এম হেমচন্দ্র, নবার্দকী দি দি এম আই প্রেমজোয় অমসুং কে কে কে, ইম্ফাল ইষ্টকী ষ্টাফশিং য়াওনা প্রোগ্রেসিব ফিশ ফার্মরশিংগা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা পোর্টেল শেম্নবগী মতাংদা ৱাখল্লোন পুথোক্লদুনা কূপ্পা খন্নখি হায়রি।

থৌরম অসিদা কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংশিংদগী লাকপা এক্স - ট্রেনি ১৫১না শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা ঙামীশিংনা মখোয়গী ঙা ফার্মশিংদা মৈ (ইলেক্ট্রিক) ফংহন্নবগী অপাম্বশিং ফোঙদোক্লদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি।

ঙসিগী থৌরম অসিবু প্রিসাইদ তৌখিবা কে ভি কে ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর এস মোনিবলানা মহাক্কী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা তশেংনা ঙা য়োক্লিবা ঙামী মশক খঙদোকপা অমদি করম করম্বা মফমদা তশেংনা ঙা য়োক্লিবা, ঙাগী পোত্থোক কয়াম পুথোকপা হায়বনচিংবা অসি থিদোক্তুনা মতেং পাংনবগীদমক ময়াম পূন্না হোৎনমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখি।